# RNU, IMPHAL
# MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM
### (DATE 11-01-2025)

**ইমোইনু (এল)ঃ** মনিপুরদা ঙসি ধর্ম্মগী চৎনবীগা লোয়ননা ইমোইনু ইরাৎ থৌনি থৌরম পাঙথোক্লি।

লনগী লাইরম্বী ইমোইনু ইরাৎপা নুমিৎকা মরী লৈননা রাজ্যপাল, মুখ্য মন্ত্রি অমদি লুচিংবা কয়ানা রাজ্য অসিগী মীয়মাদা য়াইফ পাউজেল পীরক্লি।

মহাক্কী পাউজেলদা রাজ্যপাল-আজয় কুমার ভাল্লানা হায়-নুমিৎ অসিনা লাকপদা মীয়ামনা হরাউ তয়ামা থৌরম অসি পাঙথোকপদা শরুক য়াবগা লোয়ননা লমদম অসিদা শান্তি অমসুং চাউখৎপা পুরকপা ওইরসনু।

পাউজেল অমদা মুখ্য মন্ত্রি-নোংথোম্বম বিরেন সিংহনা হায়-ৱাকচিংগী ১২ নি পানবা নুমিৎ অসিবু ধর্ম্মগী চৎনবী অমসুং হরাও তয়াম্বগা লোয়ননা ইমা ইমোইনু ইরাৎপা নুমিৎ পাঙথোক্লি। নুমিৎ অসিদা কুম অমগী মনা-মশিং, হৈ-লৈ অমদি ঙা কৎতুনা থৌনিজৈ। নুমিৎ অসিনা লাকপদা মীয়াম পুন্না অমত্তা ওইনা থবক কন্না শুদুনা মনিপুরবু মশা মরোমদোম লেপচবা ঙম্বা লমদম অমা ওইবগা লোয়ননা চাউখৎ মায়কৈরোমদা খোঙজেল য়াংনা চংশিন্নবা হোৎনরসি।

মনিপুর বিধান সভাগী অধ্যক্ষ-থোকচোম সৈত্যবরতা, রুরেল দিভলপমেন্ট অমসুং পঞ্চায়টি রাজ মন্ত্রি য়ুমাম খেমচান্দ সিংহ, শিক্ষা মন্ত্রি থৌনাওজম বসন্ত কুমার সিংহনচিংবনা নুমিৎ অসিনা লাকপদা মীয়ামদা য়াইফ পাউজেল পীরক্লি।

ইমা ইমোইনুগী ইরাৎ থৌনি থৌরম হয়িং খোঙবান উখোং য়ুম্ফমদা লৈবা লাইনিংথৌ সনামহি লাইশঙদা অয়ুক অঙনবদগী হৌনা ইরাৎ থৌনি পাঙথোক্লি। অয়ুক পুং ৪ মখায়দা লাই য়াকাইবা, পুং মঙাদা হৈথা লৈথা পাঙথোকপা, পুং ৫ মখায়দা অনম অথৌ কোকবা অমসুং পুং তরুক্তগী ইরাৎ থৌনি হৌখ্রে।

ইমোইনু নুমিৎকা মরী লৈননা রাজ্যগী ফিসরিজ বিভাগনা শিনদুনা ঙসি

ইম্ফালগী পেলেস কম্পাউন্দা লৈবা হপ্তা কাংজৈবুংদা ঙাগী মেলা পাঙথোক্কনি। মেলা অসিদা ঙা কিলোগ্রাম লিশিং ৮০ পুথোকবা পান্দম থল্লি। মেলা অসিদা ঙামী ১৫০ য়াওনা পুন্না স্তোল ১২০ হাংগনি। মেলা অসিদা আই.দি.পিশিংনা পুথোকপা পোৎলমশিং, এগ্রো হোর্টিকলচরগী পোৎলমশিং য়াওবা স্তোলশিং হাংগনি। মেলা অসিদা লমদম অসিদা পুথোকপা শরেং অমসুং নুংঙা ফংগনি।

**পুলিস (এল)ঃ** মনিপুর পুলিস অমসুং ৩৮ শুবা অসাম রাইফলসনা ঙরাং মার পিপলস কনভেন্সন (দেমোক্রেটিক) কী হকচিনবা মীওই অমা জিরিবাম জিলাগী বোরোবেক্রা পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা তুই সোলেন খুলগী বরাক তুরেল খোঙবান ময়াদগী ফারে হায়রি।

মঙোন্দগী পোকখায়বা য়াবা ষ্টিক ২০, দিটোনেটর ১১, সেফতি ফ্যুজ অমা, গ্রাম ৪৫৭ লুম্বা ব্রাউন্দর সুগরনি চিংনবা সপোন কেপ ৪৪ দা হাপ্লন্বা ফাগৎপা ঙমলে।

অমরোমদা, মনিপুর পুলিস, ১৮ শুবা অসাম রাইফল, ফোরেষ্ট দিপার্টমেন্ট অমসুং ইজকিটিব মেজিষ্ট্রেটনা ঙরাং উখ্রুল জিলাগী লুংচোং মাইফৈ পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা ফালি চিংশাংগী লম একর ৯০ রোম থারন্বা পোপী পান্বীশিং য়াম্থৎখ্রে। মফম অদুদা শারন্বা খাংপোকশঙ ১২ মৈ থাদোক্তুনা মাঙহনখি। থৌদোক অদুগা মরী লৈননা এফ.আই.আর. অমা লৌখৎলে।

মরক অসিদা, অকনবা চেকশিন থৌরাংগা লোয়ননা নেসনেল হায়ৱে ৩৭ অমসুং নেসনেল হায়ৱে টুদা তঙাইফদবা চংবা গাড়ি ২২১ অমসুং ৩৫১ পুশিল্লকখ্রে।

**য়ুনিভরসিতি (এল)ঃ** মনিপুর য়ুনিভরসিতিগী দিপার্টমেন্ট ওফ টিচর এদুকেসননা শিনদুনা প্রোফেসার-এন. সুরজিৎকুমারনা ইবা 'ইন্দিয়াজ ফোরেন পোলিসি অন্দর মোদি-এ ন্যু পেরাদাইম সিফট' হায়বা লাইরিক অসিগী মতাংদা খন্ন-নৈনবগী

থৌরম অমা দিপার্টমেন্ট অসিদা ঙরাং পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুদা মনিপুর য়ুনিভরসিতিগী ভাইস চাঞ্চেল্লর-প্রোফেসার এন. লোকেন্দ্রো, টিচর এদুকেসন দিপার্টমেন্টকী হেদ প্রোফেসার-প্রেমলাতা মৈস্নামনচিংবা শরুক য়াখি।

**রিপাব্লিক (এল)ঃ** জন ভাগিদারিগী থবক থৌরম হেনগৎনবা পান্দমদা নাগালেন্দদগী মীওই অনি অমসুং মনিপুরদগী মীওই মঙা কুমশি চহিগী ৭৬ শুবা গনতন্ত্র দিবস পালনগী থৌরমদা শরুক য়ানবা খল্লক্লে।

লৈবাক অসিগী অখন্নবা এচিপভর লিশিং ১০ খনগৎপদা মখোয়শিং য়াওরকপনি। মখোয়শিং অদুদি-নাগালেন্দগী শ্রী চাতো কুতসু অমসুং শ্রী নিশাতো জিনয়ুনি।

মনিপুরদগী খনগৎলবা মীওইশিং অদুদি-পদ্মশ্রী কোন্সম ইবোমচা সিংহ, পদ্মশ্রী মোইরাংথেম মুক্তামনি দেবী, পদ্মশ্রী মচিনহান সাসা, নেসনেল এৱার্দি-শ্রীমতি লোংজম হেমোলাতা দেবী অমসুং সিলপগুরু শ্রীমতি গুরুময়ুম শান্তি দেবীনি। মসিগী মথক্তা পেরা ওলিম্পিক্তা তকমান লৌরকখ্রবা নাগালেন্দগী হোকাতো হোতোজে সেমাসু অখন্নবা গেষ্ট ওইনা শরুক য়ানবা বার্ত্তন তৌরক্লে হায়রি।

**কসার (এল)ঃ** মনিপুরদা থোক্লিবা ইরাং অসিগী খুদোংচাবা লৌদুনা মফম খুদিংমক্তা মহৈ মশিং, চাউখৎ থৌরাংগী থবক থৌরমশিং, লল্লোন ইতিক তৌবদা অমনা অমবু অথিংবা অয়েৎপা পীবা অচুম্বা খোঙথাং ওইরোই হায়না ইন্দজিনস পিপলস ফোর মনিপুরগী প্রসিদেন্ট-অশাং কছারনা হায়রি।

উখ্রুল জিলাগী মুইরৈ খুলদা পাঙথোকপা অনিরকশুবা ওল তাংখুল ভিলেজ লেবেল মেন্স ওপন ভোল্লিবোল টুর্নামেন্ট হৌদোকপগী থৌরমদা ৱাফম অসি মহাকা ফোংদোকখিবনি। টুর্নামেন্ট অসিদা পুন্না টিম ১৫ না শরুক য়ারি।

**অমিতঃ** গৃহ মন্ত্রি-অমিত সাহনা সভাপতি ওইদুনা ঙসি ন্যু দিল্লিদা দ্রগ ত্রাফিক্কিং অমসুং নেসনেল সেকুøরিতিগী রিজনেল মীফম হৌদোক্লগনি।

নার্কোটিক্স কন্ত্রোল ব্যুরো (এন.সি.বি) না শিনদুনা পাঙথোক্কদৌরিবা মীফম অসিগী মরুওইবা পান্দমদি, অৱাং ভারতকী রাজ্য ৮ অমসুং য়ুনিয়ন টেরিটোরিদা দ্রগ ত্রাফিক্কিং হেনগৎলক্লিবা অমসুং মসিনা নেসনেল সেক্যুরিতিদা শিংনরকপা অসিনি।

মীফম মনুংদা গৃহ মন্ত্রিনা থাখায় অমা চখ্থগদবা ফাগৎলক্লবা দ্রগশিং মাঙহনবগী খোঙজং হৌদোক্কনি। মহাকা ভোপাল জোনেল য়ুনিটকী এন.সি.বি. ওফিস কমপ্লেক্স অমা শঙ্গাগনি। গৃহ মন্ত্রিনা রাজ্য অমসুং য়ুনিয়ন টেরিটোরিশিংদা শিজিন্নগদবা মানস টু হেল্প লাইনগী এক্সটেন্সনসু হৌদোক্কনি। থা অসিগী ২৫ ফাওবা চখ্থগদবা দ্রগ মাঙ তাকহনবগী থৌরম মনুংদা ফাগৎলক্লবা নার্কোটিক্সকী পোৎলম কিলোগ্রাম লিশিং ৪৪ মাঙ তাকহনগনি। মাঙহনগদৌরিবা পোৎলমশিং অসিগী মমল অন্তরজাতিগী কৈথেলদা লুপা কোতি লিশিং ২,৪১১ ওইগনি।

**রাস্ত্রপতিঃ** রাস্ত্রপতি-দ্রৌপদি মুরমুনা হায়রি-মপান লৈবাকশিংদা লৈরিবা ভারত মচাশিংনা লৈবাক অসিগী মহুৎ শিল্লি। মহাকা হায়-লৈবাক অসিগী সভৈত্যাগী মরুওইবা হৌরকফম ওইরিবা লৌশিং গ্যান অমসুং গুন অসিবু মখোয়না পুদুনা মফম অদুদা লৈবাক অসিগী চৎন লোনচৎ ঙাক্তুনা থল্লি।

উরিষ্যাগী ভুবনেশ্বরদা লৈবা জনাতা মৈদানদা চখ্থরকপা ১৮ শুবা প্রভাসি ভারত্তিয়া দিবস লোয়শিনবগী থৌরমদা ৱা ঙাংলদুনা রাস্ত্রপতিনা হায়-প্রভাসি ভারত্তিয়া দিবস মীফম অসি ভারত অমসুং মপান লৈবাকশিংদা লৈখ্রবা ভারত মচাশিংগী মরক্তা হেন্না মরী চেৎশিলহনবা, ৱাখল্লোন পুথোকফমগী মফম অমা ওইরি। মহাকা হায়-ভারতনা ইং ২০৪৭ ফাওবদা ভিক্সিত ভারত ওইনবা মাংলোমদা চংশিল্লি। চংশিল্লক্লিবা অসিদা লৈবাক অসিগী নাগরিকশিং য়াওনা মপান লৈবাক্তা লৈখ্রবা ভারতমচাশিং পুন্না শরুক য়াবগী তঙাইফদবা লৈ।

থৌরমদুদা তোঙান তোঙানবা লমশিংদা হৈথোই শিংথোইবগীদমক রাস্ত্রপতিনা মীওই ২৭ তা প্রভাসি ভারত্তিয়া সমান খুৎশিন্নখি।

## ---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

রাজ্যপালনা মোরেদা চৎতুনা মফম অদুদা লৈরিবা ইন্টিগ্রেটেদ চেক পোষ্টকী থবক থৌরমশিং য়েংশিনখিবা, মুখ্য মন্ত্রিনা আই.দি.পিশিংদা কেন্দ্র সরকারগী স্কিল ত্রেন্নিংগী সার্টিফিকেটশিং য়েন্থোকপা অমসুং গ্রেটর ইম্ফাল এরিয়াগী লম্বীশিং লুপা কোতি লিশিং ৩,৩০০ চংদুনা আর.সি.সি. হৈরগনি হায়বা সি.এমগী ৱাফমনা ঙসি ফোংবা পাউচেশিংদা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংনরি।

চুরাচান্দপুরগী মথংদা গভনরনা মোরেগী ফিভম য়েংশিনখ্রে, কন্সটিট্যুসনগী আর্টিকল থ্রিগী মখাদা কুকি জোশিংগী যুনিয়ন টেরিটোরি শেন্বী হায়বা মেমোরেন্দম পীশিনখ্রে হায়বা পাউনা হুইয়েন লানপাউগী অহানবা লামাইদা ফোংলি। পাউ অসি সঙাই এক্সপ্রেস মনিপুরি, পোকফম অমসুং সনা লৈবাক পাউচেদসু তোঙান তোঙানবা হেদলাইন পীদুনা ফোংলি।

সি.এমনা স্কিল ত্রেন্নিং লোইরবা রিলিফ কেম্পতা লৈরিবশিং শেম্থোক লৈনবা মশরুম হাউস শানবা খঙহনখ্রে, সেন্ট্রেল লাইব্রেরী অপগ্রেদ তৌনবা, সলাম্থোং ব্রিদজ ফুট ৪ ৱাংনা থাঙ্গৎনবা সি.এমনা য়েংশিনখ্রে হায়বা পাউনা মনিপুর ন্যুজগী অহানবা হেদলাইন তৌরি। পাউ অসি ইম্ফাল ফ্রি প্রেস, মনিপুর মেল, গানফিয়ু মেল অমসুং সনা লৈবাক্তা তোঙান তোঙানবা হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি।

ঈচেল এক্সপ্রেসতা-য়ুম্ফম য়াওদবা, অচুম অরান খঙদবা ৱাফমশিং থাজবীগনু হায়বা সি.এমগী ৱাফমনা অহানবা হেদলাইন তৌরি।

উখ্রুল জিলাগী পালি হিল রেঞ্জ অমসুং সেনাপতি জিলাগী খাবুং হিল

রেঞ্জতা য়াম্লবা পোপী পান্বীশিং য়ান্থৎখ্রে হায়বা পাউনা সঙাই এক্সপ্রেস ইংলিস এদিসনগী অহানবা লামাইদা ফোংলি।

চোকথবা লৈতনা লৈঙাকা হিংশাগী থৌদোক্তা চেন্নবা মরাল লৈবা মীওইশিং ফানবা হোৎনরি হায়বা সি.এমগী ৱাফম অমসুং মমাংদা পাঙথোকখিবা রিজল্ট হায়দোক্ত্রিঙৈদা নৌনা ফোরেষ্ট গার্দ লৌনবা হোৎনগনু হায়বা জোইন্ট কেন্দিদেট ফোরেষ্ট গার্দকী মীহুৎশিংনা ফোংদোকখিবা ৱাফমনা নহারোলগী থৌদাংগী অহানবা লামাইদা ফোংলি।

ঐচ.পি.সি. (দি) গী কাদর, পোকখায়বা য়াবা পোৎলমশিং অমসুং দ্রগকা কোন্ননা ফারে হায়বা পাউ অমসুং নুমিৎ নিনি চথুগদবা ৱাটর বার্ড মোটিভেসন কেম্প ২০২৫ সেন্দ্রাদা লৈবা এল.দি.এগী কনফরেন্স হোলদা হৌদোকখিবগী পাউনা পিপলস ক্রোনিকলগী অহানবা লামাইদা ফোংলি।

হিল হোর্ন বিল এক্সপ্রেসতা-মেজর বোবখতিং ফুটবোল টুর্নামেন্ট টিম ১৬ না শরুক য়াদুনা ঙরাংদগী সেনাপতি দিষ্ট্রিক্ট হেদক্কাটরদা হৌখ্রে হায়বা পাউনা অহানবা হেদলাইন তৌরি।

হৌখিবা লৈবাকপোকপা নুমিৎতা নাগা নুপী অমবু ফুই হায়বগী ৱাহৌদা কৌব্রু রেঞ্জ লিয়াংমৈ ৱিমেন য়ুনিয়ননা কৌব্রু রেঞ্জকী মফমশিংদা মতম কক্তবা বন্দ কৌখ্রে হায়বা পাউনা তমেংলোং টাইমসকী অহানবা হেদলাইন তৌরি।